# সনা ওইরসু মতাং মফম চাদ্রদি মীৎচিনফাও য়েংনীংদে

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

***ইমাগী সনা মতূম*** ৱাহৈশিংসিবু নুংশিদবা কনাদা হায়নগেনে! নুংশিবদৈ নুংশিবা পাম্মুবদৈ পাম্মুবা, ইশা-ইশাগী থৱায়দগী মমল হেল্লি খন্নরিবা পুমথোই থোইরবা ইচাদা কৌবা মিঙ্গৌনি। সনা হায়বখক্না পেন্দবদৈ মতূম অমসু হাপচিন্নরিনি। কয়াদা মতিক ময়াই লৈখ্রবা সনানো! অসুক য়াম্না মমল য়াম্বা মীয়াম্না মতিন তাখৈ পামজবা সনানি, মতিক ময়াইসু লৈখ্রবা! ঐখোয়গী লাইথৌ-তীনথৌ, ঈরাৎ-থৌনিদসু সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই হুনবা য়াওরিবনি। হৌজিক মতমদদি পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অমবু ইপান থাবা নৎত্রগা তরামথোইনি য়ূম শেংবদা অয়াম্বনা মনাগী সনা য়ানশিনবীরে। থায়নদি অঙাং অমনা চহী অহুম নৎত্রগা মঙা শুরকপা মতমদা নাহুৎ-নারেং তম্বগী থৌরম পাঙথোক্তুনা অঙাং অদুগী মনা সনা য়ানবগী থৌরম পাঙথোক্ল রম্মী। অশেংবা সনা নৎত্রগা অশেংবা নত্তবা অরূপ্পা ওইনা য়ানবীবসু য়াওই। য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমা ওইনসু লৌনরম্মী। হৌজিক মতমদদি লৈবা লৈতবা থিনদ্রে, ইচাগী পূন্সিগী অসুক য়াম্না মরু ওইখ্রবা মতাংসিদবু কৈদৌনা ঙল্লোই হায়বা ৱাখলদা মীয়ামদা অহাউবা চাক্লেন ফংহন্দুনা অশেংবা সনা ওইনা য়ানবীরে। নাহুৎ-নারেং তল্লমদাই মনা সনা য়াল্লমদাই অঙাং অদু অশোক-অপন নঙ্গল্লি হায়দুনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নরিবনি। মতিক-ময়াই লৈবগী চাংদি মেরা থাদা পাঙথোকপা ক্বাক তানবা নুমিত্তা সনা চংনিং অমত্তং ওইরবসু লেপশিন্নবা হোৎননৈ, নুংঙাই-য়াইফবা ওইনবনি।

অসুক য়াম্না মতিক-ময়াই লৈখ্রবা সনাসি করিগুম্বা মতমদা মগুণ খংহন হন্থরকপা মতাংসু লাকই হায়বগী ৱারীসু লৈতবা নত্তে। নিংথৌ অমনা মচানুপী অহুম্বু চাংয়েং তৌবদা মচানুপী অহল অমসুং য়াইমবীনা মাবু সনা লুপা মণি মুক্তাদগীসু হেল্লি হায়না চাংদম্নে। অদুবু মচা নুপী অতোম্বীবুদি মাবু করিসু লৈতবা থুমগা চাংদম্নে হায়দুনা তাম্হোকখি হায়। কোন্নথংদা থুম্না সনাদগী হেন্না মরু ওই হায়বদু থুম থাক্তবা এঙ্গাং মথেন পীজদুনা মচানুপী অতোম্বীনা মপাবু ৱাখল তাহনখিবগী নুংঙাইরবা ৱারী লৈ। অতোপ্পা ৱারী অমদা করিগুম্বা পোৎশক অমবু মী মীদুনা অপাম্বা পোৎশক ওলহনবা ঙম্বা পোৎশক অমা সনা ওল্লু হায়না লংবদা ঈশিং য়াওনা চান-থক্লবা পূন্নমক সনা ওনখিবদগী চান-থক্লবা লৈতদুনা কংশি শিবগী ফীভম য়ৌখি হায়। ৱারী অসিনা সনা-লুপা, অরং-অরাক্তা লাইচুদনবা পাউজেল পীরি। রামায়ণগী ৱারীদা শ্রীরামগী মবেম্মা সতী সিতানা সনাগী শজি মিহৌরুবদগী করি ওইখি। লঙ্কাগী অশোক বনদা হিংচাবী ময়াম্না ঙাক শেন্দুনা লৈরিঙৈ মতমদুদবু শ্রীরাম নত্তনা কনাবু উনীংলমদগে? সনাগী শজি পাম্লুবদি হায়রুনু সনা হায়বা জাৎতু পুমখা খারমদৌবা মাল্লিকো! মতম অমদা ৱারী লীবা ওজাশিংনা লীবিখিবা মহাভারতকী ৱারীদসু শিব মহাদেবদা কৎননবা চান্মা পোকপী গন্ধারীগীদমক মচাশিংনা খূৎহৈবশিং নেক্তুনা সনাগী লৈহাউ শাহল্লি হায়। কুন্তীগীদমক্তি কুবেরগী লৈকোন্দগী অর্জুনগী তেননা সনা মচুগী অশেংবা লৈহাউ হেক্তুনা কৎখি হায়। চীংঙু মহাদেব মাগী ৱারী থম্বু থমখো, সনা উবদা তিন চুল্লিবা মীওইবা ঐখোয় ফাওবা ৱারী তাবা মতমদুদা অশেংবা লৈহাউদুনা সনানা শাবদুদগী হেন্না মগুণ লৈনা খনখিবনি।

শাথীবা য়াম্না উরেদা! কনাগুম্বশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা, ফূনবগী থাক য়ৌনা মরৈ তৌনরকপদা অচুম-অরান খঙদোক্লবনি হায়দুনা সনা মচুম থক্লবসু অদুম য়াওই। মসি অফবদি নত্তবজাৎনি। ঐখোয়না অসুম থেংনজরকপদা অচুম-অরানগী ৱাফম্না তোঙানখ্রগা থক্লিবা মীশকশিংদো অৱাফমদা তামিন্নবসু য়াওই। মাবু মথোঙ মরম চাদবা হীরমদা শীজিন্নে হায়দুনা শাউরকপদগী থক্লিবা মীওই অনীমক্তা চৈরাক পীরিবা হায়দুরা খঙদে। অহলশিংনা তাকপী মদুদি সনা মাঙবা খূনবা অনীমক অফবা নত্তে, খূনবনা অমুক হেন্না ফত্তে। মসিমদি তশেংনা চুম্মী খঞ্জে। কুইরবগী ৱানি ঐবু পোকপী ইমাগী মনাগী লৈ নাম্মা কদাইদনো মফম খঙদনা তাহৌবদগী মাঙখি। ইমাদু য়াম্না কন্না নাখি, অশোয় অঙাম্বুদি থোকখিদে। য়াম্না শাথীবা থৌদোক অমদি নোংমা ঐখোয়' মপানা সনা খুদোপকী মতোক অমা লৈখোম মরক্তগী খুল্লকখি। মাদি সনানি হায়বা খঙদবজাৎনি। মাগা লৈমিন্নবশিংগী মরক্তগী অমনা সনানি হায়বদগী পুরকপনি। ঐসু খঙদে, ব্রশনা শেংদোক্লগা সনা শাফমদা য়েংহনবদা সনা ওইরম্মী। হৌজিক মতমসিদা ওইরদি ফোন্দা করিদা কোয়হং-হংনরগা অশেংবা মপুদু মশক খঙলম্বসু য়ারিপোৎনি। কুইদে অপাইবা দশানি, নুংঙাইতবা শেল তিংগদবা থৌদোক অমা থোকখি। লুপা লিশীং নিফু হেন্না তিংখি। মতম অদুদা সনা ষণ অমগী মমল লুপা লিশীং অমগা চহুমখক্তনি।

অসুক য়াম্না মশোং চাউখ্রবা সনা মঙোন্দা লৌরঙনবা মানবা থৌদৌ অমসু থোকখ্রব্রা হন্দক মরকসিদা? শেমজিন-শাজিনবা ওইরম্বা য়াই হায়না খল্লুবনি, অচুম্বা ওইরমাল্লে, সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল চৎপা পোৎ অমা থোরক্লি। নথৌসু লৈতনা হৈথোই-পুথোই শারিব্রা হায়রকপসু য়াই অদুবু ইচিনসি হেক্তমক হায়নীংই - হায়স! করি মতৌ লাংওন্নো! তৌহৈরিব্রা তৌহৈদব্রা? কুন্দো লৈরাংগী মতিক ময়াই, মগুণসিবু করিগা চাংদম্নবা য়াবগে? মালেমসিদা লৈরিবা কনা করম্বা ফূরুপ্পা লৈরাং অসিবু পরেং লেংদুনা শাবী-শানৌ অনীগী পূন্সি লৈপুন শেম্বদা মফম কন্দুনা থম্নবগে, ঐখোয়খক্কী নত্তনা? ঐনা থিজিনবা ৱাৎপনরা, ঙসি ফাওবদি থেংনদ্রি। কুন্দো লৈরাংনা মরাং কায়না শাত্তবা মতমদা লুহোংবা য়াওরসু অমা অনীদং ওইরবসু হাপ্তবা তৌহৈদে হায়বগী থাজনবী লৈবনা লৈরাং লৈনাগা য়ান্নরগা পরেং লেংদুনা হুক্লবসু থেংনখ্রে। হৌজিক মতমদদি মতম নাইদনা শাৎপা শাংলপ-শাংলপ শাৎপা কুন্দো ফংবা মরম্না লৈরাং অসি ৱাৎকনি হায়বগী নুংনাংনীংঙাই ওইদ্রে। মীয়াম মাঙদা লৈপুনগী শাক্তি ওইদুনা হুক্লখিবা কুন্দো পরেং অনীদু মাঙখি তাখিদনবা হায়দুনা চেৎনা লুনা থম্নরিবনি। কনাগুম্বা-কনাগুম্বী খরদি পূন্সি লৈপুনগীদমক তাইবঙ মপুনা অকক্লনা খূদোনবীরক্লবা কুন্দো লৈরাংনি, অতোপ্পা হীরমদা শীজিন্নরোই হায়দুনা লাইদা ফাওবা কৎনীংলবসু কত্তে।

অসিগুম্লবা তরাই তরাইনা খনবা য়ারোইদবা ঐখোয়গী নাৎ-কলচরগা শাগোন্নদুনা লৈরক্লিবা কুচু লমঙানবী লৈরাং পরেংনা সনা মচু ওইনা ফোন্দা ফন চোংথোরকপদু উবদা ইঙক হেক ঙকই। তখেল্লে, লৈহাউ, জুবাকুশুম্নচিংবা লৈরাং লৈচু মখল মথেন লৈবগুম কুন্দো লৈরাং লৈচুসু মখল মথেন লৈরব্রা? ইনরকখিবা ময়েকশিংদু পারুবদা খংপ্রেক হেক খংইকো! হায়ফম থোক্তব্রা খল্লি অমুকসু। শেল পায়রে উখোকচবসু ওইরম্বা য়াই। নঙবু ঙমজব্রো, নথৌ লৈব্রো হায়রক্লদি চোপ্পৌরিপোৎনিদা। ইথৌবুদি লৈতে, মাগী-মাগী অঙম্বা মতীং ফূদোকচবনি। অদুবু মসিমদি হায়নীংই, ঐখোয়গী ওইনা তোপ তোপ্না লৈজবা লৈপুন লৈরাং পরেংদুদি তাইবঙ মহৌশা লাইরেম্বীগী তম্পাক্তা ঙান্না থোইনা শাৎচবী কুন্দো লৈরাংনি, খূৎহৈবনা শেম্বা চে, প্লাষ্টিক, সনা, লুপাগী ওইবা কুন্দো পরেংদু নত্তে। মদুগুম্বদি মতাং মতম চাদবনা মীৎচিনা ফাওবা য়েংনীংদে। ●

# পূল্লসি হায়নরিবসিবু কদোমদনো

- নবকুমার ওইনা -

নহানা মাইবা শাবা হায়বা অমদি লৈ। পঙহায়দা হায়বগী চৎনবী অমসু লৈরে, ওইরোইদবদা খদাং থাধনবগী হৈনবী অমসু য়াওনরি। লৈঙাক শেন্নরিবা নহাসু-অহলসু খদাংনা থবক শুবগী মওংদা লৈবা মাল্লকপগী ৱাথোক ওইনা ঙাঙনরকপসু য়াওরক্লিবসি অফবা খুদম অমদি ওইরক্লোই।

তাবা ৱাবা, খঙবা ঙমদবা, "অপূনবা পাঙ্গল শাগৎতুনা থোং মান্ননা চাওখৎহল্লসি" হায়বা তারিবসিবু করি হায়রিবা ওইদৌরিবনো? অমত্তা ওইবগী অপূনবা হায়বসিবু চাকচামাংদা শাবা লোইবা চাকশঙদৌনা উরুম লাংবা ঙমগদৌরিব্রা? থোং মান্ননা চাওখৎহল্লসি হায়বসিবু কনানা হায়বা য়াবা ৱাফম ওইরিবনো হায়দবীদি হৈতব্রা, থবক তৌরিবা, থৌদাং লৌরিবশিংনা অদুম তৌগদৌবা থৌওং ওইগদৌবনি। হৌজিকপু মকোক্তগী অমুক হৌবা তারিব্রা? নাকপাক তান্নদুনা হাৎনরিবা অসিদা পুন্নবা হায়বদুবু তাগদ্রা? লাকশিন্নবা থবক তৌগদৌবশিংনা লেকচর পীরগা লৈবা অদুবু থবক শুরিবনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা? হায়জরবসু থাজদে, ৱাথীদি হায়দবনা ফবনি হায়গনি। শিন্থোং খঙদ্রবদি থবকসু ওইরোই।

ঐখোয় খরখক পূনবগী মথক্তা মালেমগী ওইনা পূনবদি কৈদৌবগে? অদুদি ঙল্লোই খনব্রা, হায়বফাওবা হায়নদ্রিবনা করিগীনো? মপুকচেল পীকপা খরনা মীয়ামসি অপঙবা শিবা নৎত্রগা অপঙবা ওইনা উরবদি ৱাঙাঙদসু খঙনগনি খল্লি। পুল্লসি হায়রিসিনদি পূন্দ্রি হায়রিবনি। মখোয়না হায়রগা পুল্লদ্রা? মদুসু থাজদে, মরমদি পূনবগী থিওরি অমদি লৈগনি খল্লিবসি পুথোক্লরকপা উনদ্রি। কম্মান্দ তৌবনদি য়াগদৌবা মাল্লক্তে।

পূনবা হায়বসিদা হেক্তা য়ানগন্দ্রিবসি করিগী ওইগদৌরিবনো? খুদক্তা হায়বদি চুমগদৌবা মান্দে, ৱাঙাঙ শোয়রবদি ঙমদবসু য়ারি। ইন্দিয়াদা পূন্দবী ভারত্তা পূল্লসি হায়রিসিবু চুমগদৌরিব্রা? মীওই অমগী মমিং ভারত হায়রিসিবু, হায়নীংলিবদু করিগীনো খন্থবা অমা চঙলি। মণিপুর কৌনীংলিবনা করিগীনো হায়বা থোল্লকই। হেক্তা পূল্লসি হায়বসি নম্ফু মাল্লকই, নৎত্রগনা অপঙবা ওইবা তারকই। লৈবাক থুগায়গদৌরিবসি মখোয়না ওইগদৌরিবনি। গুজরাটতা পূনগদ্রা মণিপুরদা পূনগদ্রা হায়না হংবসু য়াওরিবনি। লৈবাক্কী থৌগায় পুরগা হূইনাওদৌনা পঙখোংদা খোংলবসু ষণনা কিগদৌবা মান্দে। পঙহায়দা হায়জিন্নরিবসি মীয়াম অসি পঙবগীরা হায়বা খলহল্লি। মীয়াম অসিনা অসিগুম্বা ৱাফম কয়াগী হায়ফম ওইরগা খুমদবা হায়বসি পঙবগী ওইগদৌরি। মীয়ামসিনা অসুক পঙলিবসিনা করিগীনো, থবক্লা উৎলিবনি।

চৈরক অসিদা, লাইরিক হৈবা মীওই ময়াম অমসু লৈরিবনি। "মান্নবা খুন্নাই অমা শেম্বদা অফবা এদ্যুকেশন সিষ্টম মথৌ তাই" হায়নরক্লিবসি খঙলবা মীবু লৈরব্রা? মান্নবা খুন্নাই হায়রিবসিবু লৈবাক্লা ফক্লাং তৈবদৌনা নানগদৌরিব্রা, ইনাক খুনবা লৈবা য়াদে হায়গদৌরিব্রা, মরীল তনবশিং অসিনা হাত্তোক্কদৌরিব্রা খঙনদ্রি। মসি ফাওবা খঙবা ঙমজদ্রবা ঐ অমনা কদায়দা অমুক লাইরিক্তু তম্লুখিবা তারিবগে? অফবা এদ্যুকেশন সিষ্টম হায়রিবসিনা কদায়দা য়োনবনো, কয়া পীবনো খঙনদ্রিবরা, লৈবা ফংনদ্রিবরা? মথৌ তারে হায়বসিনা মথৌ য়াওদে হায়রিব্রা, লোল অসিনবু হেন্না খঙজদ্রে। তঙাইফদ্রিবসি করি ওইগদৌরিবনো খঙলক্তরে। লাইরিক হৈবা হায়রিসিবু লাইরিক তম্বখক্তনা ওইবা য়াগদৌরিব্রা? পঙহায়দা হায়নরিবা ময়ামসি সিষ্টম হায়রিবদুবু কনানা শেমগদৌরি?

মন্ত্রি ময়াম্না শেন্নবা ঙমদ্রবা লমদম অমা মীওই অমনা শুপ্পায় পায়রগা শিনবনবু করল থুংবগী ৱাসিমা থাজদ্রবা ৱানি। মীয়াম অসিনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রবনি, মীয়ামগী লৈবাক্লি, মীওই মঙা-তরাগী নত্তে হায়বসি হেক-হেক কাউবনি। খেৎঙাঙ ঙাঙনদুনা অমনা অমদা পঙতায়দা তায়নরগা ইন্নদুনা লৈনরিবনি। মীপূম খুদিংমক্কীদুম থৌদাং লৈরিবনি, থবক তৌনদবা, থৌদাংদু লৌনদবগী ৱাথোক কয়া থোল্লক্লিবনি। মী অমগা-অমগা থৌদাং মান্নবসু নত্তে। হৈত্রবশিংদা তায়নবসু লাল্লিবনি, হেক্তা হৈরগনি খল্লবসু লাল্লিবনি। লৌজনাম য়াওরবদি মদুনা হেন্না লানখ্রে। পুকচেল হায়বদি ফজবা হায়গেরা, শেংবা হায়গেরা, মদু হৈত্রবদি থবক হৈবগী ৱাসিমা লৈত্রবনি। মতাং অদুদনি লৈখা তানরকইবসি, মী মশক খঙনরকইবনি। পুকচেল শেংবগা লাইরিক হৈবগসু মরী লৈনরক্ত্রে, হৌজিক্তদি লাই নীংবগসু মরী লৈনদ্রে। লমদম অসিদদি লাই নীংবনি খনবা মীওইশিংনা হেন্না পুকচেল শেংদববু মাল্লক্লবনি। খঙবা-খঙদবা পঙখুদা খুরুম্বা, ৱানোমশেল পঙকত্তা কৎপগী ৱাদুম ঙাঙনরবনি। পুকচেল শেংদ্রবদবু কদায়দগী লাইরিক হৈবা কৌগদৌরিবনো, লাইরিক হৈবা হায়বদুগী শাজৎ অমনি পুকচেল শেংবা হায়রিবসে। পুকচেল শেংনদ্রবদবু কদাইদগী চাওখৎপা খুন্নাই ওইগদৌরিবনো? চাওখৎপা খুন্নাই শাগৎপদা নুপীশিংগী থৌদাং চাউই হায়নবসু তারি। নিপাগী থৌদাংদি পীকপরা? চাওখৎপা নুপীগী খুন্নাই ওইরবদি পুকচেল শেংগদৌবনি। নুপীশিংনা কদায়ফাওবা পুকচেল শেংনা চৎপা ঙল্লিবগে? মরু ওইনা মপুরোইবদা পুকচেল শেংনা লোয়নরিবী নুপীবু কয়া য়াল্লবগে হংববু য়ারি। পুকচেল শেংদে হায়বা নত্তে, লাইরিক হৈবী নুপী কয়া য়াল্লবগে হায়বগী চাংয়েং তঙাইফরক্তবদুনি।

চক অসিদবু লাইরিক হৈত্রবদি কমদৌনা পূনগদৌরিবনো? পূনবা হায়বসি লৌশিং অমনি, লেপমিন্নবদু নত্তে, ৱাখলদা ফাওনদ্রবদি পূনবসু য়ারোইদৌরিবনি। ৱাখল লৌশিং কাউনরগা হীরম/লম্বী পূনবদুনি পূনবা হায়গদৌরিবসি। কোয়লাউ লাউনবসিনা পূল্লক্কনি হায়বদুমা ওইথোকপা ৱারগদৌবনি। খঙগদৌরিবদুদি করি-করি ওইগদৌরিবা? য়েক-সলাই, মাগী-মাগী নাৎকী ৱাদু নত্তে; নুমিৎ-থা-মালেম অসি শেল্লিবা এটোমদগীনা য়ুনিভর্সেল ময়ামসি খঙবা তারকপদুনি। শেন্নৌ হায়বা নত্তে; লাইনীংনা হায়রিবসু মদুনি, শাজৎ ওইনা শাগৎলগা লৈগদৌবনি হায়বদুনি। লাইনীংবু মরৈ য়েৎনফম ওন্থোক্লখ্রে, লাইলিক তম্বা হায়খিদ্রে, হুরান্নফম ওইরকখ্রে। পূন্নদবগী খ্বাইদগী হকচিল্লিবা শাজৎ অদু লাইনীংনা ওইদুনা লৈরে। ৱারক চেৎপা শারগা কান্থোক্তুনা চৎপা ঙম্নদ্রে। মালেমসিগী তঙ্খায় অমদি লাই থাদোক্লরগা পূনবা হৌনখ্রবনি। লমদমসিগী নুপী খুন্নাইনা পূনবা ঙমদবগী মরম্না লূপ কয়ামা শেম্নরগা চুঙ্গোই হাইনদুনা লৈবগীনি হায়বা য়ারি। ৱাখল লৌশিংদা চনীং তানা লাইখায় তারবনি হায়বা ঙমদ্রিবা থাক অমদা লৈবা মালহল্লি। মৈরা পায়বীগা ডাক্তর নুপীগা পূনবা মান্দরি, নুপী খুন্নাইসি পূন্দরি, মীয়ামসি পূনগদবা মতম ৱাৎলিবা ওইগনি। লাইনা শিল্লক্কদৌবা লৈতে, মীয়ামগী ৱাখল লৌশিংগী থাক অদুনা পুরক্কদৌরিবনি। লমদমসিদা নুপা-নুপী পূনবগী থাকসু ৱাংদরি, শাওনবদুম মালহল্লি। নুপীনা চেক হোল্লগা নুপা থোকই হায়বসি নুপা-নুপী পূনবগী খুদম নত্তে। নুপী থিরগা তোঙান চানবসু পূনবগী খুদম নত্তে, মহৈরোয় খুন্নাইসু মমাগী লূপশিংনা লাকশিনবদি ঙমদবসু মাল্লি। খুদম ওইনা কনাগা-কনাগা পূল্লিবগে হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদবগুম তৌরি। নোংমদি শোয়দনা পূল্লকখিগনি থাজৈ। ●

# অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী ফিল্মগী খোঙচৎতা ঐগী থৌদাং
# সঙাই অমসুং লোক্তাক পাৎ

- গুরুময়ূম নির্মল -

অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা মাঙথরক্লিবা লোক্তাক অমসুং সঙাইগী মরমদা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম মরি দিরেক্সন পীদুনা নমখি।

অহানবদা :- ইমাশি বিনোদিনীগী বেলে ফিল্ম সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীনা কুমজা ১৯৮৭/৮৮দা পুথোকপা সঙাই - দি দান্সিং দিয়র ওফ মণিপুর, ইমাশি এম কে বিনোদিনীনা ইবিরগা চাউতোম্বীনা কোরিওগ্রাফ তৌবা অদুগা ওজা কুল্লনা ম্যুজিক শেল্লগা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী বেলে য়ুনিটকী আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াদুনা শান্নখিবা দান্স দ্রামা 'কৈবুল লমজাও' বু ফিল্মদা নম্লকপা মতমদি দি দান্সিং দিয়র ওফ মণিপুর হায়না মিং থোন্দুনা ওড়িষা হৌজিক্লা ওদিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গ ষ্টুদিওদা শেট শারগা নুমিৎ ১৫নি রোম চঙনা নমখিবা বেলে ফিল্মনি।

শল্লপ্পা ৱারীদি :- কদেং থাংজহনবনা শাদানবা চৎপদা সঙাই অমা হাৎলুরগা ময়ূমদা হল্লকপদা মাগী তালোই তোনু লাইজিংলেম্বীবু মোইরাং নিংথৌনা তালোই ওইনা নম্ফুদা লৌখিবদগী তালোই কায়নখিবদা য়ূম্ফম ওইবা বেলে ফিল্মনি।

মণিপুরদা থাজনবা অমা লৈ, সঙাই হাৎলুরবদি মাগী নুপী অঙাং কায়নৈ। মসি সঙাই মশীং হন্থরকপা থিংনবা পাউতাক ওই পাউরৌ ওই ইপা-ইপুশিংনা পীরম্বা পাউতাক ওইরম্বসু য়াই। ঐমক্তি ফিল্ম অসি নম্বদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা শরুক য়াখিদে।

অদুবু ইবাই শ্যাম শর্ম্ম, ইমাশি বিনোদিনী হোয়না ৱারী শানবদগী তাজহৌবনি। ফিল্ম অসি লন্দনদা উৎপা মতমদা বৃটিশ ফিল্ম ইন্সটিট্যুটনা আউটষ্টেন্দিং ফিল্ম ওফ দি য়র ১৯৮৯দা সর্টিফিকেট পীদুনা ইকায়খুম্নখি। অমেরিকাগী ১২শুবা ইন্টরনেশনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা মোন্তানাদা মেরিট এৱার্দ মঙা পীরক্তুনা ইকায়খুম্নরকখি।

অনীশুবদা :- মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পুথোক্তুনা কৈবুল লমজাও নেশনল পার্ক হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অমা কুমজা ১৯৮৮দা নমখি। ফিল্ম অসি মণিপুর ষ্টেট বেষ্ট দোক্যুমেন্টরি ফিল্মগী মনা ফংখি।

অহুমশুবদা :- কুমজা ১৯৮৯দা আই এন টি য়ু সী ন্যু দেল্লীনা পুথোকপা সিক্সটিন এম এমগী ফিল্ম অসি নম্বদদি ঐ প্রদক্সন মেনেজমেন্টতা য়াওখি। কৈবুল লমজাও গেষ্ট হাউসতা নুমিৎ ১৪/১৫ লৈদুনা ফিল্ম নম্বা মতমদা হায়নখিবা চাক এঙ্গাং থোংনবা পুজারি নোংমখক লাক্লম্লগা মতুং লাকখিদবদগী ঐনা লেমহৌরিবা নুমিৎশিংগী পুজারি ওইনা ইবাই অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী প্রদক্সন মেনেজমেন্টতা চঙবা হৌখি। ফিল্ম অসিনা অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী অহানবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ওইদুনা কুমজা ১৯৯০দা নেশনল এৱার্দ ফংবা ফিল্ম ওইখি।

মরিশুবদা :- অমুকসু কুমজা ১৯৯৮দা লোক সেবা সঞ্চার পরিষদ অমসুং ফোর ফাওন্দেশনগা পুল্লগা ভিদিও ফিল্ম অমসু পুথোক্তুনা মাঙথরক্লিবা লোক্তাকতা য়ূম্ফম ওইবা ইথাই বরাজ শাজিল্লকপা, মতম চূপ্পদা ঈশিংগী ঈমাই ৱাংনা থম্বদগী কৈবুল লমজাওগী ফুমদি পাথরকপা, খুঙ্গাশিংগী লৌফম মাঙহনখিবা, মপান লমদগী নীংথম থাদা লোক্তাক্তা চাক্তারবা লম ঙানু, উচেকশিংগী মশীং হন্থরকপা অসিনচিংবদা য়ূম্ফম ওইবা ফিল্মনি। মতম অসিদদি ঐখোয় মীতৈ মচা খক্তনা ফিল্ম অসি নমখি। সরত শর্ম্মনা কেমেরামেন, ইরোম মায়পাক অমসুং সাইখোম রতননা এসিষ্টেন্ট, ঐজ্ঞা শান্তিমোনা সাউন্দ, নিংথৌজম সোনাচান্দ অমসুং গুরুময়ূম জ্ঞানেন্দ্রোনা লাইট, সলাম রাজেশনা সবজেক্ট এক্সপার্ট, তরুন মঙাংনা এদিটিং, রোনেল হাওবম অমসুং ঐনা প্রদক্সন মেনেজমেন্ট তৌখি।

অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী ৱাখল্লোনদি, লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা মাঙথরক্লিবা ইকো সিষ্টম অসি কলহৌদ্রবা নোংমদি লৈকংলা ওইদ্রিঙৈদা মতম চানা লোক্তাক পাৎপু কলহৌবা অমদি মোইরাংগী পাক চাউরবা ফজখ্রবা কলা সংস্কৃতিগী খুদোল, লোক্তাকনা লৈকংলা ওইখ্রবদা, মণিপুরগী ৱাহন্থোক লৈরোইদৌবগী নুংনাংবা পোকচবনি।. ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৬কী ৱাহং

১) "নিংঙমদ মৈচাক" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) "খোঙচৎকী চিঠি" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
৩) "অরোনবা খুজীন থৌরাং" হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু।
৪) "থৱায়বু পামুবা লৈতনা
কখোকপদা ঙাওজরবা পূন্সিনা
লান্থেংনরি মীরোৎ ওইনা
পূন্সি হিংলি অসুম্না"
শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপান্দগী অইবা অমনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবা অসিগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।
৫) "শকখঙবীদ্রবা পূন্সি" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৩,৪)
২) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৩)
৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৩,৪)
***৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১২৫গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১২৫গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।